HUEIYEN LANPAO

## ওন্থোক-ওন্থোকপা

### ভিজিলেন্সনা মথৌ তৌদবগী ৱাফম এসেমব্লি য়ৌরকপা

হৌজিক্কা 'অকাশবানি ইম্ফাল' হায়রগা খঙনরবা 'ওল ইন্দিয়া রেদিও (এ আই আর), ইম্ফাল'না চহী খরগী মমাঙদা শন্দোকখিবদুবু রেদিও লীলা, রেদিও দ্রামা নৎত্রগা 'রেদিও নাতক' হায়গদ্রা, করম্বনা চুমগদগে - 'মাধবি' হায়বা প্লে অমা শন্দোকখি। লীলা নৎত্রগা দ্রামাদু হৌজিকসু অকাশবানি ইম্ফালগী মখল খরা খায়দোক্তুনা শন্দোরক্লিবা চেন্নেলশিংগী মনুংদগী করম্বদা শন্দোক্লিবনো নৎত্রগা শন্দোকপা লেপখ্রবরা হায়বদুদি চপ-চানা খঙদ্রে। রেদিও তারিবা লিন্নরশিংদরা নৎত্রগা অকাশবানি ইম্ফালগী থৌপুবশিং অমসুং লীলা-দ্রামানচিংবা শন্দোকপা প্রোগ্রামশিং খূৎপায়নরিবশিংদা হংলগবুদি চপ-চানা খঙগনি। অদুবু 'মীতৈলোল' (মণিপুরী) ময়েক শেংনা লোনবা-ঙাঙবা ঙমজদবদৌনা তৌরিঙৈ চৈরকসিদা করি-করম তৌরগা হংলুগনি হায়বসিগী মতাং য়ৌরকপদদি কোক্কদি অদুম্মক ঙাওরি। অদুবু ঙসিগী অকাশবানি ইম্ফালদি মতম অমগীদুবুদি নৎত্রে। মীতৈলোল (মণিপুরী) ফনা য়াম্না থোক্লে অমসুং লোনবা-ঙাঙবা ঙল্লক্লে, হৈরক্লে। চহী খরগী মমাঙদদি য়াকাইরোলগী মহুত্তা 'বন্দনা' হায়রম্মী। নহারোলগী খোঞ্জেল নৎত্রগা থৌরমসু 'য়ুববানি' কায়না হায়রম্বনি। অনীসিদা নত্তনা অহোংববুদি ফনা য়াম্নবুদি লৈরক্লে। রেদিও হায়বসি ইলেক্ত্রোনিক মীদিয়াগী মনুং চনবগী মথক্তা ইনফোর্মেল এজেন্সী ওফ লার্নিংগী মীদিয়ম অমা ওইবদগীরা নৎত্রগা অকাশবানি ইম্ফালগী তোঙানবা পোলিসি অমা লৈজবদগীরা খঙদে। অয়ূক অমসুং নুমিদাংগী য়াওনা নুমিৎয়ুংবগী অমদি নুংথিলগী শন্দোক্লিবা পাউশিংদদি মীতৈলোল (মণিপুরী) দা নীংথিজনা মহুৎ শিল্লগা য়াম্না ময়েক শেংনা হায়বা/পনবা য়াবা ৱাহৈ-ৱাফমশিং তাবা ফংদ্রি। মশোমদা কোইথোক্লগুমসি। মতমগী মতুং-ইন্না মণিপুরী (মীতৈলোল) শুনা, কাচিন-কোয়া য়ৌনা খঙলকপা ওইরসনু। মতমগী মতুং-ইন্না পুরক্লসনু। অদুবু শন্দোকখ্রিবা 'মাধবি' হায়বা প্লেদুবু অইবা কয়ানা শৈথানখিবা 'কাঞ্চিকোনগী চেকনুংশি কদাই কবি কমলদি' হায়খিবা 'ডাক্তর লমাবম কমল'না ইরম্বদু ওইগদ্রা নৎত্রগা কনানা ইবা জাৎনো? প্লেদুগী সিনশিং হৌবদগী লোইবা ফাওবা নীংশিংদ্রবসু করি মতাংদনো'মা 'হুরানববু হুরানবনা ফারবদি কনানা বিচার তৌগনি' হায়বা দাইলোগ অমা য়াওখি। প্লেসিগী দাইলোগসিমদি হৌজিক চহী কয়া হৌখ্রবসু শুংকাউ কাউদ্রে। অদুম্মক চিন্দোন-লৈতোনদা পক্তুনা লৈরে।

দাইলোগ মতেকসি মার্চ ৯, ২০২৬তগী হৌখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৭শুবা মীফমগী মখা চত্থরকপা বডজেট সেশনগী অরোইবা নুমিৎ মার্চ ১৭, ২০২৬তা কোংগ্রেস এম এল এ, কে মেঘচন্দ্রনা 'ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি-করপশন দিপার্টমেন্ট' কী দিস্কশন এন্দ ভোটিং ওন দিমান্দস ফোর গ্রান্টসতা কট মোশন থাঙ্গৎলকপদগী নীংশিংলকপনি। ওপোজিশন এম এল এসিনা হাউসতা ফোঙদোকখিবদুবু মহাক মশামক্তা কমপ্লেনেন্ট ওইরগা জন্যুৱারী ২০, ২০২৬তা ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপশন দিপার্টমেন্টতা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অমা ফাইল তৌখি। রিপোর্টতু মণিপুর লৈঙাক্কী ৱাটর রিছোর্সেস লোয়শঙদা শেঞ্জা-থুমজা (করপশন) খরা লৈরে হায়দুনা চিংনবদগী ফাইল তৌখিবনি। কমপ্লেনেন্টনা চিংনরিবদু লাল্লম্বসু য়াই। অদুবু করি লৈবগে হায়বদুমদি খঙহনফম থোকই। রিপোর্টতুগী মতুং-ইন্না থবক অমত্তা লৌখৎলক্তবদগী চীফ সেক্রেটরি অমসুং এস পিদসু চেইখ্রে হায়বনি। কট মোশনসিগী মতাংদা শেংদোক্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবনা ভিজিলেন্স অমসুং এন্টি-করপশন লোয়শঙ চল্লাইরিবসি মণিপুর পুলিসকী পর্সনেল ঙাক্তনি। দিপার্টমেন্টসিনা হৌখিবা চহী ৫গী মনুংদা কেস ২২২ লৌখৎখি। কেস ১৪৯ দিস্পোজ তৌখি। কেস ১১গীনা মরী লৈনবা কোর্টতা চার্জশীট থাগৎখি হায়না ফোঙদোকখি। অদুগা ওপোজিশন এম এল এগী কমপ্লেন্টদুসু থবক ওইনা পায়খৎহঞ্জগে হায়বগী থাজবা পীখিবনি। মতাংসিদা চীফ মিনিষ্টর খেমচান্দগী ৱাফমসিদা ৱায়েৎপা নৎত্রগা পরৈ হন্দোক-হঞ্জিন তৌবগী ৱা নত্তে। লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টকী মখাদা লিংদুনা চলাইরক্লিবা ভিজিলেন্স অমসুং এন্টি-করপশন লোয়শঙদবু হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র নৎত্রগা ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি লোয়শঙগী ষ্টাফশিংনা চলাইবা য়াগদ্রো? চলাইহনফম থোকপ্রা? পুলিস দিপার্টমেন্টকী রেঙ্ক এন্দ ফাইলদগী মথৌ তাবা ওফিশলশিং থাংজিন্দুনা তৌফম থোকপা থবকশিং তৌহনবা হায়বসিদি মশানা তাবনি। এম এল এগী মোশনদুদা লোয়শঙসি করম্বা মীওইনা, কনানা চলাইবনো হায়দুনা হংখিবা নত্তে। হোয়, ৱাহংসি হংবা য়াওখিদ্রবসু মোশনদুগী ক্লিয়ারেন্সতা ৱাফমসি পল্লকখ্রবসু কায়দে। য়ারেনে। তৌবতবু ভিজিলেন্স অমসুং এন্টি-করপশন লোয়শঙদা ৱাকৎপসিবু এসেমব্লি মীফমদা পুখৎনদ্রিবা মখে লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলোইদ্রা, লৌখৎপা য়াদব্রা হায়বনিদা!! এম এল এনা কমপ্লেনেন্ট ওইবগীদি মশানা হাউসকী মেম্বর ওইবনিনা পুখৎলকপা ঙম্মী। লৌখৎহল্লগনিসু হায়খ্রে। এম এল এ নত্তবা লন্নাই মীওই অমনা কমপ্লেনেন্ট ওইদুনা ৱাকৎলকপশিংগীনা কম্মাই তৌবা? নত্তেনে, পুলিস পর্সনেল নৎত্রগা ওফিসরশিংসিদি লো-এনফোর্সমেন্টকী থবক্তদি বেঙ্গলি নৎত্রগা মারৱারিদা 'করবার' গী মতাংদা অমুক তাক্লখিগদ্রা হায়বগী ফীভমদুনি। পুলিস ষ্টেশনশিংদা কমপ্লেনেন্ট অমনা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অমা ফাইল তৌরকপদা লৌই। রেগ্যুলর এফ আই আর কেস ওইনা রেজিষ্টর তৌদ্রিঙৈদা ফাওবা পুলিস ষ্টেশনদুগী 'জেনরেল দাইরি' (জি দি) দা এন্ত্রি তৌরগা ইনভেষ্টিগেশন ওফিসর (আই ও) অমদা শিন্নদুনা প্রিলিমিনরি ইনভেষ্টিগেশন চত্থবগী চৎনবী অমসুং তৌফম থোকপা'মা লৈরকই। থবকসিগী মনুং-চন্না কমপ্লেনেন্ট অদু এগজামিন তৌই। মহাক্কী এগজামিনেশন অদুগা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অদুগা 'কোরোবোরেট' ওইরব্রা হায়বদু য়েংই। রিপোর্টতু 'ওফিশল ইজাহার' (ও-ঈ) ওইনা লৌবা য়ারব্রা হায়বদুসু য়েংশিল্লি। মখা তানা মরী লৈনবা লোগী সেক্সনশিংগী মতুং-ইন্না 'এক্যুজ'নি হায়দুনা মরাল শীরক্লিবশিংদু 'সম্মন নোটিস' নচিংবা পীদুনা কৌরগা এগজামিন তৌই। মসিগী মতুং-ইন্না ফাবা-পুনবা তৌই। পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথদুনা 'কষ্টদিএল ইন্টরোগেশন/ইনভেষ্টিগেশন' চত্থে। অদুবু 'প্রিভেন্সন ওফ করপশন এক্ট' অমদি 'প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিং এক্ট' নচিংবগী প্রোভিজনশিং এনফোর্স তৌবগী পৱার পীরিবা ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি-করপশন লোয়শঙগীনা তোপ-তোপ্পা মচৎশিং লৈব্রা হংবনি। শেঞ্জা-থুমজা (করপশন) গী মথক্তা অহকপা লোশিংগী উকাই তকথগদবা লোয়শঙসিদা ফাইল তৌরকপা কমপ্লেন্ট রিপোর্টপু হন্না য়েংদ্রে অমসুং লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎত্রে হায়দুনবু এসেমব্লি য়ৌনরকপা হৌনব্রা হায়বনি। ওন্থোক-ওন্থোকপা!! কট মোশনগী পাউখুম পীখিবা চীফ মিনিষ্টরনসু হৌজিক ফাওবা এক্সন লৌখৎলমদবগীদমক ৱারক ৱাতেমগেদি হায়খিদেনে। ৱাকৎতুগী মতুং-ইন্না থবক লৌখৎহল্লগেদং হায়খি। মসিদনি 'মাধবি' গী 'হুরানববু হুরানবনা ফারবদি কনানা বিচার তৌগনি' হায়বা দাইলোগতুগুম্না থোক্লবা জাৎলা হায়বগী ৱাহং হংনীংলক্লে হায়বনি!!

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৭২৯)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

কবো চানতাআ লৈমা লৈমাবী। তমফা খূৎফাংনাই লোইনবীনা। শেলবী কাংচম থোংজাও ঙাকপা। লায়েপ লালদা মমিংনাইবা। লাশক কজেং থাঙ শাবগা। শেলবী য়ূম লৈকাইগী। হুয়েল লালদা লালথোং শিননা লুচিংবা। লাকেং লালদা থৌয়াংবগা। হুয়েল লানমী অথৌবা মরিমকপু। লাকচাথীনা লালঙমলে। লাইরেল খুৎশুনা লালঙমঙৈগী। সনা মিংথোল মিংকৌখিবদি। লাইরেল মৈদিংঙু শেলবী চানতাআ ঙমবা। নোংপোক নমবা নুরাবী। ●

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

## লৌমীশিংগী কাখল

# ককর্বিটশিংদা 'ডাউনি মিলদিউ' অমসুং 'মেগনেসিয়ম ৱাৎপা' গী লায়ওং

- ডা. এম থোইথোই সিংহ -

থবী, কারোৎ, কারোৎ অখাবী, ইরুহৈ, চিনার, খোংদ্রুম, মাইরেন, শেবোৎনচিংবা (ককর্বিট) পান্বীশিংদা তাগনবা কোকফাইনা থোকহনবা লায়না 'Downy Mildew' হায়রিবা লায়না অসিগা; পান্বীশিং অসিগী মরু ওইবা মচীঞ্জাক অমা ওইরিবা মেগনেসিয়ম ৱাৎপদা পান্বীশিং অসিনা উৎলিবা লায়ওংগা য়াম্না মান্নে। লায়না অনী অসি য়াম্না মান্নবা মরম্না অৱাৎপা মচীঞ্জাক মেগনেসিয়মদু পীবগী মহুত্তা ডাউনি মিলদিউগী হীদাক কাপ্পা; ডাউনি মিলদিউগী হীদাক কাপ্পগী মহুত্তা মেগনেসিয়ম কাপ্পা হায়বসি য়াম্না তোয়না থেংনবা থবক্লি। মসি থোক্তনবা লায়ওং অনী অসিগী মান্নবশিং অমসুং খেন্নবশিং তঙাইফদনা নৈনবা চংই।

**লায়না অনী অসিগী মান্নবশিং :- ১) লায়ওং অনীমক অরিবা মনাশিংদা উৎলি :** অহানবদা লায়না অনীমক্কী লায়ওংশিং ককর্বিট পান্বীশিংগী অরিবা মনাশিংদা উৎলি। লায়নানা হেনজিল্লকপগা লোয়ননা মথকলোমদা চৎখৎনা উরকই।

**২) মনা নাপু চঙলকপা :** কোকফাইনা থোকহনবা ডাউনি মিলদিউ লায়না অমসুং মেগনেসিয়ম ৱাৎপগী লায়না অনীমক্তা পান্বীগী অরিবা মনাশিংদুদা নাপু মচুগী দাগশিং উৎলি। হৌখিবা চয়োল অনীদা লায়নাশিং অসিগী লায়ওং থমজখ্রে।

**৩) পোখোক হন্থহল্লি :** লায়না অনী অসি নারবা পান্বী কাঙলূপ অনীমক্না মচীঞ্জাক শুংবগী (ফোটোসিন্থেসিস) চাং হন্থে। পান্বীগী শাহৌ থীন্না লৈ। পান্বী মশা শোল্লি। মহৈ পানবা হন্থে। পোখোকহন্থহল্লি।

**৪) লায়নাগী লায়ওং উৎলিবা মনাশিং কংশিল্লকই :** মখল অনীমক্কী লায়নানা খুমাঙ চাওশিল্লকপগা লোয়ননা নাপু চঙলবা মনাশিংদুগী মচি-মচিদু শিজিল্লকই, কংশিল্লকই।

ককর্বিটশিংগী 'ডাউনি মিলদিউ' অমসুং 'মেগনেসিয়ম ৱাৎপগী লায়ওং' অনীমক হায়ফেৎ য়েংবদা খরমখৈ মান্নজরবসু খরা কুপ্না য়েংবদা লায়না অনীগী খেন্নবা ময়ামদু উবা ফংই।

| য়েংফম | মেগনেসিয়ম | ডাউনি মিলদিউ |
|---|---|---|
| ১) অরিবা মনাশিংদা উরিবা দাগশিং | দাগশিংদু ঙৌরপ তৌনা নাপু মচু চঙলবসু দাগশিংদুবু কোয়শিল্লবা অপীকপা মশিংশিংদি মচু শংনা অদুম লৈগনি। দাগশিংদু চাং মান্ননা শন্দোক্কনি। | দাগশিংদু নাপু মচুদগী মঙ্গে মচু চঙলপ তৌনা য়াম্না ময়েক শেংনা উগনি। মশিং-শিংনা কোয়শিল্লগা লৈরিবা দাগতু অচুম্বা লৈই মতেক মতেক্না কোয়শিনবা মানগনি; এঙ্গুলর ওই। মনাদুমক্তদা লৈরিবা দাগশিংদু কংশিন্নালৈবা, লন্না লৈবা য়াওগনি। |
| ২) মনাগী মওং মতৌ | মনাগী মতাইশিং মথক্লোমদা কোনখৎলপ তৌগনি। মনাদু পায়রগা য়েংবদা ইমোন মোন্না লৈগনি। | মনাশিং তিংনা লৈগনি। দাগশিংদু কংশিল্লক্কনি। পায়রগা য়েংবদা কাইগনবা, খাকপা, কেল্বগী মওং উৎকনি। |
| ৩) মনাদু হাইগৎলগা মখা থংবা শরুক্তু য়েংবদা | খেন্নবা অমত্তা উরোই। নাদবা মনাগুম লৈগনি। | নুংশিত্তা ঈশিং ঈনিল ৱাংবা, লৈচিল নোংফাই থাংবা মতমদা মনাগী মখা, মথক্তা উরিবা দাগশিংগী মপাদু কোকফাই কাবা উগনি। উৎ মানবা মচু নৎত্রগা ঙাংলপ তৌগনি। |
| ৪) ফৈদোমগী পান্বীশিং | লৈবাক লৈহাওগা মরী লৈনবা মরম্না, লায়ওং অসি মতম অমত্তদা অয়াম্বা পান্বীশিংদা উগনি। | কোকফাইনা থোকহনবা লায়না ওইবনা লায়ওং অসি পান্বী অমা অনীদা হান্না উগনি; মচি-মচিদা তাগল্লি। |
| ৫) লায়না শন্দোর-কপগী মওং মতৌ | লায়নাদু মথক্লোমদা তপ্না তপ্না শন্দোরকই। | লায়নাদু মথক্লোমদা অমসুং পান্বী অতৈদা য়াম্না থুনা শন্দোরকই। |
| ৬) লায়নাগী মরু ওইবা মরম | অশিনবা লৈবাক্তা মেগনেসিয়ম ৱাৎকল্লি। লৈবাক্তু পি ঐচ ৫.৪গী মখাদা লৈরবদি লায়না অসি থেংনরনি। সোইল হেল্থ কার্দ মুন্না য়েংগনি। | ঈশিং-ঈনিল ৱাংবা মতমদা লায়না অসি নুংশিৎনা শন্দোকই। চোৎলগা লৈবা মনাশিংদা তারকপা কোকফাই মরূশিং থুনা হৌই। অঈং-অশা, নোংজুগী চাং হান্না খঙদোক্লবা 'ৱেদর ফোরকাষ্ট'পু শেন্নদুনা লৈগনি। |



ডাউনি মিলদিউ



মেগনেসিয়ম দিফিসিএন্সি

মরমশিং অসি লৈবনা লায়নাগী লায়ওং চপ চানা লেপথোক্লবা তঙাইফদনা তৌফম থোকপা খরা :-

১) ককর্বিটশিংগী মখা ওইরপ তৌবা মনা খরা হেক লাংলক্লবদি অয়ূক্তা মনাদু হাইগৎলগা দাগ লৈরিবা মপাদুমক্কী মখাদু য়েংগনি। মোন-মোন লাউবা কোকফাইশিং হৌরক্তা উরবদি ডাউনি মিলদিউ ওইরনি।

২) মশিংশিংনা কোইশিল্লিবা মনুং থংবা শরুকখক নাপু চংলগা মশিংশিংগী মচু শাংনা লৈহৌরবদি মেগনেসিয়ম ৱাৎপগী ওইরনি।

৩) লৈবাক লৈহাও চাংয়েংগী কার্দতা পি ঐচ ভেল্যু কয়া ইরিবগে হায়বদু নীংশিংগনি। পি ঐচ ৫.৪গী মখাদা লৈবা ওইরবদি মেগনেসিয়ম ৱাৎপগী ওইগল্লি।

৪) লায়না অনীসিগী লায়ওং লেপথোক্লবা হোৎনবদা চিংনবা লৈরবদি Magnesium 5 EDTA গ্রাম ২০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা পান্বীগী মনা পূম্নমক চোৎনবা কাপথোক্কনি। নুমিৎ ১০নি লৈরগা অমুক হন্না কাপথোকপদা মখা তানা লায়না শন্দোরক্তবদি মেগনেসিয়ম ৱাৎপগীনি। অহোংবা অমত্তা লৈত্রগদি ডাউনি মিলদিউ ওইরনি। মেগনেসিয়মগী অৱাৎপা লৈরমদ্রগসু চাং নেম্না অনীরক খক কাপথোকপদা পান্বীদা অকায়বা লৈরোই।

৫) নোং অমসুং ঈশিং ঈনিল হেনবা মতমদা লায়নাগী লায়ওং উৎলকপা ওইরবা অমসুং য়াম্না থুনা শন্দোরক্লবদি ডাউনি মিলদিউ ওইরনি।

অদুগা য়াম্না মরু ওইবা ৱাফম অমনা ডাউনি মিলদিউ অমসুং মেগনেসিয়ম ৱাৎপগী লায়না অনীমক পান্বী অমত্তদা তাবগী লায়ওং থেংনবা য়াওই। মতমদুদনি নুমিৎ হুম্নি খেন্নহল্লগা লায়না অনীমক্কী হীদাক পীগনি। ●

# লৈবাক লৈহাও মশা ফবনা মীওইবা য়াওনা খুদিংমকপু মশা ফহল্লি



- ডা. এস সুমঙ্গল -

পান্বী য়াওনা থৱায় পানবা খুদিংমক মচীঞ্জাক চারিবসি হিংনবনি। অতোপ্পা থৱায় পানবা খুদিংমক্কী চিঞ্জাক্তি লৈবাক লৈহাওদগী হৌবা পান্বীনা পীবা ঙাক্তনি। মশা ফবা লৈহাওদা মশা ফবা পান্বী হৌই। মশা ফবা পান্বী চারগা মীওইবা য়াওনা শা-ঙা, উপাল-ৱাপাল, হিংকুপ, থৱায় পানবা খুদিংমক মশা ফগনি। অৱাৎপগী লায়না (দিফিসিএন্সি দিজিজ) নারোই। মসিবু খঙবা মীওই খরনদি লৈবাক লৈহাও কনসি হায়বা খোল্লাও মালেমগী মফম খুদিংমক্তা লাউনরক্লি। থৱায় পানবা অয়াম্বনা হিংলিবসি লৈবাক লৈহাওদা থাবা/হৌবা পোৎলমশিং চারগনি হায়বসি মুন্না খন্থদুনা তশেংনা খঙনরক্লবনা খোল্লাও অসি থোরকপনি হায়বা তাই। মসিদা থৌদাং লৌগদৌরিবসি লৈঙাক য়াওনা মীপূম খুদিংমক্কীনি হায়জনীংই। চাওখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎপদা তুংগী খন্থদনা তৌরুবা থবক কয়ানা মালেমগী লৈবাক লৈহাওশিংদা পীরকপা চৈথেংনা মালেমগী লৈবাক লৈহাওশিং শীজিন্নবা য়াদ্রবা লৈবাক লৈহাও ওইখিবদগী কলহৌনবা মতম হেনখিগদৌরবনি। পঞ্জাব, হরয়ানাগী লৌফম কয়া লৈকংলাগুম ওইরকপদগী লৌমী কয়া কোক্তা খূৎ হাপ্নরবনি। মরম অসিনা লৈবাক লৈহাও মাঙহন্দবা হায়বসি থারিবা অমসুং চারিবা মীওই খুদিংমক্কীসু য়াম্নমক মরু ওইবা থৌরম অমনি হায়জনীংই। মসিবু খঙদবা কয়া অমসু লৈরিবনি। খঙনা-খঙনা খঙশিন্নদবা, মশাগী ওইজবনা হেনমনখিবা, মদুনা অশিঙবা মীওইনি খঞ্জবা কয়াসু লৈতবা নত্তে। মরম অসিনা লৌউ-শিংউবদা লৈবাক লৈহাওবু মাঙহন্দনা লৈবাক লৈশাবু মশা ফনা তুংগী মীরোলগীদমক থম্মনবা অরায়বা থৌরম খরা খঙজিনমিন্নসি।

পূম্নমকশিং অসিগীদমক লাউনরক্লিবা ওর্গানিক ফার্মিং, ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং, নেচরেল ফার্মিং, সষ্টেনেবল ফার্মিং (এগ্রিকলচর) হায়বা কয়া অমনি থোরক্লিবসি। প্রোগ্রাম কয়া লৈঙাক্না পুকচেল শেংনা নৎত্রগা শেংদনা থাদরক্লি। শেংনা থাদরক্লবসু শেংদনা লোইশিল্লি। অদুবু মখোয়গী হাক্তক্তা নৎত্রবসু মখোয়গী চারোল শুরোলগী হাক্তক্তদি শুকশোয় শোয়দনা চৈথেং ফংলরনি। থৌরম খরা য়েংসি।

**১) লৈবাক নিংথিনা খোইবা :-** মফম অদুবু নিংথিনা খোইদুনা শেম শাবা হায়বসি পান্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙম্নবা থৌরম অমনি। মসিনা হৌরম্বা নাপী-শিংনাশিংগা লোয়ননা হান্না থারম্বা পান্বীগী লেমহৌখাকশিং লৈবাক লৈশাদা খোইজিন্দুনা লৈবাক্তা তিলহল্লি। লোয়ননা মসিনা লৈবাক লৈশা ফগৎহনবদা, পান্বীশিং অদুনা চুপথোকখ্রবা লৈহাও হঞ্জিনহন্দুনা লৈহাও কাহনবদা মতেং পাংই। মতমগী মতুংইন্না লৈবাক লৈশা য়ারিবমখৈ হন্থনা খোইবা ৱাফম অমসু থোরক্লি। মসিসু অয়াবা মফমদা পায়খৎপা ফৈ। খুদম ওইনা মহৌশাগী লৌউ (নেচরেল ফার্মিং) পায়খৎপা মতমদা মসিদি তঙাইফদে।

**২) অওন পোত্থা (ক্রোপ রোটেসন) :-** পান্বী মখল অমখক্তং হঞ্জিন-হঞ্জিন লৌফম অমত্তংদা থাবনা পান্বীদুনা পামজবা মচলশিং লৌফমদুদগী হঞ্জিন-হঞ্জিন লৌথোকখিবনা মচলদু মাঙখিবা তাবনি। লোয়ননা লৈহাও হন্থরকপা তাবনি। মরম অসিনা মান্নদবা পান্বীশিং ওন-ওন্দুনা থাবা ফৈ। মসিনা লায়না-তীলনা কয়া লৌফমদুদা তাশিনবদগীসু কনবা ঙমগনি। রোটেসন অসিগী মনুংদা ঙল্লবদি চহী খুদিংগী নৎত্রগা চহী অনী/অহুম খুদিংগী হৱাই পান্বী অমুমুক্তি য়াওহনবীগনি। মসিনা লৈবাক্তা নাইট্রোজেন হাপচিন্দুনা লৈবাক লৈহাও কাহল্লি। য়ুরিয়া হার হন্থহনবা য়াই। হৱাই হায়রগা রাজমা কাঙলূপ্তি মসিগীদমক ওইনদি হাপ্নদে।

**৩) নাপি পেংথোকপা :-** মতম চানা নাপী পেংথোক্তবনা নাপীনা পান্বীগী মচীঞ্জাক অয়াম্বা চাথোকখিদুনা চাথোক শাথীনা হন্থবা মশানা তাবনি। নাপীগা থারিবা পান্বীগা কম্পিটিসন তৌবদা নাপীনা অদুমক ঙমদুনা লৈগনি। হৌরিবা নাপী মতম চানা পেংথোক্তুনা হার ওন্থোকসি, পান্বী ফহনসি। লৈবাক লৈহাওসু কনসি।

**৪) লৈবাক্কী/লৌফমগী ঈনিল চাং চানা থম্বা :-** লৈবাক্তা ইনিল হেনবা নৎত্রগা ৱাৎপা মতমদা পান্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙমদে। ঈশিং হেনবা মতমদা লৈহাও পীরিবা মচল ঈশিংনা চেন্থদুনা নৎত্রগা চুমথদুনা মাঙই। চাং চানা থম্বনা লৈহাও মাঙদবা হেল্লি। লৈবাক লৈহাও কনবদা মতেং পাংই লোয়ননা ঈশিংসু কল্লি। ইরিগেশন/দ্রেনেজ ফহনসি, মসিগীদমক থাদরক্লিবা শেনফমশিং চেদা লোইচিশিনগুমসি। লৌমীবু নুংশিবা, মশাগীদা খন্দবা, মীয়ামগীসু খনবা, থবক শিনবা হৈবা মীওইদা থবক শিন্নসি।

**৫) লৈবাক লৈহাও চেন্থবদগী (সোইল ইরোজন) কনবা :-** পান্বীগী য়াম্না মরু ওইরিবা মচীঞ্জাক মচল নাইট্রোজেন অসি লৈবাক্কী মথক থংবা শরুক্তা অয়াম্বা লৈবা মরম্না লৈবাক চেন্থখিবা মতমদা অয়াম্বা মাঙই। লৈবাক লৈহাও চেন্থদনবা মখল মখা কয়াগী পান্থে শীজিন্নবা তঙাইফদে। মতম চূপ্পদা খোইদোক্লবা লৈমাই কুপশিন্দুনা থম্নবা পান্থে শীজিন্নবা তাই। মসিগীদমক নেচরেল ফার্মিংগী থাদরক্লিবা শেনফমসু চেদা লোইশিনগুমসি।

**৬) গ্রীন মেন্যুরিং :-** থরাক পানবা হৱাই মখলশিং খুদম ওইনা চুচুলাংমৈ, উ হৱাই মতোন, হৱাই অশাংবী, ওট পান্বী, চনাল, চদেনচিংবা পান্বীশিং থাদুনা খরা নৌরিঙৈ মতমদা লৈবাক্তা খোইজিন্দুনা নৎত্রগা অতোপ্পা মফমদগী অশংবা মনা-মশিং, অনৌবা উশা-ৱাশা খোল্লুরগা অশংবা ওইনা লৈবাক্তা খোইজিনবগী থৌওং অসি গ্রীন মেন্যুরিং হায়নরিবদুনি। মসিনা লৈবাক লৈহাও কাহনবদা নত্তনা লৈবাক লৈশা ফগৎহল্লি। থরাক পানবা হৱাই মখলশিংগা হিংকুপ (রাইজোবিয়ম) খরগা হিংমিন্নদুনা নুংশিৎতগী নাইট্রোজেন ফাজিন্দুনা লৈবাক্তা হাপচিল্লি। মসি ঙম্বা পান্বীশিং অসি য়াম্নমক মরু ওই। অসুম্না লৈহাও কারবা অমদি লৈশা ফগৎলবা লৌফমদা থাবা পান্বীশিং চাথোক নিংথিনা পীবা ঙম্মী, শেন্দোং লৈহল্লি, তুং কোয়না লৌফম অদু লৌ উবা য়াহল্লি। মসিদা থাবা/হৌবা পান্বী চাবা থৱায় পায়নবশিং মশা মউ ফগনি, ৱাখল চুম্না খনগনি, কাঙলোন চুম্না হিংগনি। মালেম মপুক মরা তপকনি।

**৭) লৈমাই কুপশিনবা ঙম্বা পান্বী (কোভর ক্রোপ) থাবা :-** লৌবুক লম্মাঙ ওইনা পোৎ-চৈ থাদনা লৈবা মফমশিংদা কোভর ক্রোপ থাদুনা ঈশিং অমদি নুংশিৎনা লৈবাক লৈহাও চেন্থোক্তুনা মাঙহনবদগী কনবা ঙমহল্লি। থাবা য়াবা পান্বীশিংগী মনুংদা মঙ্গ্রা, পোং হৱাই, হৱাই অশাংবী পনবা য়াই।

**৮) মহৌশাগী ওইবা হার (ওর্গানিক মেন্যুর) শীজিন্নবা :-** পান্বীগী উনা ৱানা, নাপি শিংনা অমদি শা-ঙাশিংগী পত্থ-পুমথরবা হার (কম্পোষ্ট), নিংথিনা পত্থ-পুমথরবা মখলগী মহৌশাগী ওইবা হারশিং ষন্থি-ষণয়ুং, থাওথি অসিনচিংবশিং অসি অফবা মখলগী লৈবাক লৈহাও কাহনবা, লৈশাগী ফীভম ফগৎহনবা, কান্নরবা হিংকুপশিং মরাং কায়হনবা ঙম্বা হার মখলশিংনি। মখোয় শীজিন্নবনা তুং কোয়বা লৌউ শিংউ ওইহনবদসু চাউরবা থৌদাং লৌরিবনি। ষন্থি-ষণয়ুংগী হার অমদি ভর্মিকম্পোষ্টসু য়াম্না ফবা মেন্যুরনি।

**৯) অহেনবা ঈশিং চিথোক্তুনা তুংহন্দবা/দ্রেনেজ ফহনবা :-** মমাঙদা থমজখিবগুম লৌফমদা অহেনবা ঈশিং তুংশিন্দুনা লৈবনা লৈবাক লৈহাও চিত্থদুনা/চুমথদুনা মাঙই, হিংকুপশিং হিংবা ঙমহন্দে, লৈশাদা/লৈনুংদা নুংশিৎ ফংহন্দে। হিংকুপশিং মথৌ তৌদ্রবনিনা মিনরেলাইজেসন তৌদুনা পান্বীদা মচীঞ্জাক ফংহনবা ঙমদে। মরমশিং অসিনা অহেনবা ঈশিং চিথোক্তুনা লৌফমদগী লৌথোকপা হায়বসি তঙাইফদবা অমা ওই। দ্রেনেজ ফহন্নবা থৌরমশিং নীংথিনা পায়খৎসি, লৌমীশিংদা নীংথিনা তাকপী-তন্বীসি।

**১০) খুৎশেমগী হার (কেমিকেল ফর্টিলাইজর) :-** ওর্গানিক মেন্যুরদদি পান্বীগী মচীঞ্জাক মচল য়াম্না য়াওদবা মরম্না খুৎশেমগী হার খরা শীজিন্নদুনা চাথোক নিংথিনা ফংনবা হোৎনবা অসিসু তঙাই ফদে। চাং চানা, মতম চানা কাঙলোন চুম্না হাপ্পিগনি। লোকখ্রবা পান্বীনা চুপখৎখ্রবা হারশিং মাঙখিদনবা মখোয়গী লেমহৌখাকশিং খুদম ওইনা চরু, চুজাক মখোক, হৱাইগী মরী, খোংদ্রুম-মাইরেন মরী, আলু মনা, মখোক অসিনচিংবা লৌফমদা খোইজিনবিদুনা লৈবাক্তা অমুক হঞ্জিনবিবসু তঙাই ফদে। মৈ থাদোকখ্রবদি পূম্নমক মাঙখ্রে। মসিসু লৌমীদা পুকচেল শেংনা তাকপী-তন্বীনবা লৈরিবা মীওইশিং খূৎ থাদুনা তন্বীহনসি। থাদরক্লিবা শেনফম মতম চানা থাদোক্তুনা শীজিন্নহনসি, মশাগী ফুরিৎখাও চোন্নবা থাদরকপা শেনফম নত্তে। থবক শিনবা হৈতবা/হৈশিন্নদবা মীওইদা থবক শিন্নগুমসি।

**১১) অশিন-অয়াক্কী চাং চানা থম্বা :-** কা হেন্না শিনবা নৎত্রগা কা হেন্না য়াকপা লৌফমদা পান্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙমদে। মরমদি অশিনবা লৈবাক্তা আইরন, মেঙ্গানিজ, এলুমিনিয়ম পান্বীনা ফংবা ঙমদে। মণিপুরগুম্বা অশিনবা মফমগীদি মতম-মতমগী ওইনা অশিন/অয়াক চ্যেক তৌথোকপীদুনা চুমথোক্লবা শুনু চাইদুনা অমদি অচুম্বা হার মখল চাং চানা শীজিন্নদুনা লৈবাক শিন্দনবা হোৎনবা চঙই। নাইট্রোজেন পীবা হার য়ুরিয়াসু লৈবাক শিলহল্লি অদুবু এমোনিয়ম সলফেটতগীদি হেন্না ফৈ। য়ুরিয়া কিলো অমা চাইবা খুদিংগী শুনু কিলো ২.৫-৩ ফাওবদি চাইসি।

১২) লৌউ হীদাকশিং মশক খঙনা, মফম মতম চানা, চাং চানা শীজিন্নদুনা হুনা থল্লবা লৈবাক ঈশিং অমদি নুংশিৎ ওইহনগুমসি।

১৩) মফম চানা উ-ৱা থাজিনসি। পাক্তক্লনা উমং কোকথোকপা তোকসি অমদি তোকহনসি, উ-ৱা হৌদবা মফমদগী নোংগী ঈশিং অমদি নুংশিৎনা লৈহাও চেন্থোকপদগী কনসি। ঈচাও খংলাক লাকপদগীসু কনসি।

লৈবাক লৈহাও নিংথিনা লৈবা, হু চেন্দবা মফমদা থাবা পান্বীশিংগী পোখোক চাবনা ঐখোয় মীওইবা অমদি শা-ষণ খুদিংমক মশা ফবা, অৱাৎপগী লায়না নাদবা ওইদুনা অফবা মালেম অমা ওইহনবা ঙমগনি।

মথক্তা থমজরিবা থৌরমশিং অসি চানবা মফম অমদি মতম য়েংদুনা হোৎনরবদি লৈবাক লৈহাও মাঙথরকপদগী কন্দুনা তুং কোয়না লৌফম অদু লৌউ-শিংউ তৌবা য়াগনি, মীপূম খুদিংমক মশা মউ ফগনি, ৱাখল চুম্না খনগনি, লৈবাক য়াইফগনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।